# মণিপুর ষ্টেট লীগ : নাকো নম্বুল মপালনা ট্রাও, ক্লাসা কৈনৌনা নেসু খুরাই মায়থীবা পীখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৬(ঐচএনএস): ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসননা শীন্দুনা চথরিবা ১৫শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগকী ঙসি লম্লোং থোংখোঙদা লৈবা আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা তোঙান-তোঙানবা গ্রুপকী মেটচ অনীদা নম্বুল মপাল এথলেটিক এন্দ কলচরেল ওর্গনাইজেসন (নাকো) অমদি কৈনৌ লাইব্রেরি এন্দ স্পোর্টস এসোসিএসন (ক্লাসা) মায় পাকখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ বিগী মেটচ অমদা নাকো নম্বুল মপালনা টিদ্দিম রোদ এথলেটিক য়ুনিয়ন (ট্রাও) ক্বাকৈথেলবু ২-০দা মায়থীবা পীখি।

নম্বুল মপালগী ঙাইরাংবম রাকেশনা শান্নবগী ২৯ শুবা মিনটতা মেটচকী অহানবা গোল চনবা ঙমখিবগা লোয়ননা ট্রাওবু ১-০দা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা মাংজিল থাখি।

নাকোগী নুপামচাশিংগী খুদুম চনবা মখা চত্থরকপা ওইনা অনীশুবা হাফকী শান্নবগী ৮৮ শুবা মিনটতা সুরজ য়ুম্নামনা মায় পাকপগী অনীশুবা গোল চনবা ঙমখি।

মেটচ অসিদা রেফরি শ্যামসননা নাকোগী চিংঙাংবম কেনসন মৈতৈ অমদি লাইশ্রম মোনিশ শান্নবগী ৩২ অমদি ৮৯ শুবা মিনটতা য়েলো কার্দ অমমম্ বূক তৌখি।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ এগী মেটচ অমদা ক্লাসা কৈনৌনা নোর্থ ইষ্টর্স স্পোর্টিং য়ুনিয়ন (নেসু) খুরাইবু ২-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

কৈনৌ টিমগী মায় পাকপগী গোল অনী অদু খুন্দোম লক্কি অমদি থোকচোম মনিচান্দনা শান্নবগী ১৬ অমদি মেটচ লোইরমদাই ইঞ্জুরি টাইমগী অহানবা মিনটতা গোল অমমম্ চনবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চত্থরকপা ওইনা থা অসিগী ৯দা মেটচ অনী শান্নরগনি। অহানবা মেটচতা ৰাই পি ঐচ য়ু ললাম্বুং অমদি এ এফ সী থৌবাল শান্নরগনি। অনীশুবা মেটচতা ৰাই য়ু এফ সী অমদি য়ু কে বি লম্বা তৌনরগনি।

## ২১শুবা জুনিয়র/য়ুঠ নেসনল ক্বুশু চেম্পিয়নশিপ ২০২২

# মণিপুরনা ওভরওল টিম চেম্পিয়ন তাখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৬(ঐচএনএস): কেরলানা য়ুম্বু ওইদুনা কলিকটকী কোজিকোদেদা লৈবা ভি কে কৃষ্ণমেনন ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা থা অসিগী ১দগী হৌদুনা চত্থরকপা ২১শুবা জুনিয়র-য়ুঠ নেসনল ক্বুশু চেম্পিয়নশিপ ২০২২ ঙসি লোইশিনখিবগা লোয়ননা মণিপুরনা গোল্ড ১৫, সিলভর ৯ অমদি ব্রোঞ্জ ৭ পূন্না মেদল ৩১ ফংদুনা ওভরওল টিম চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে।



চেম্পিয়নশিপ অসিদা ঙাঙোম কাজল চনুনা চাংক্বান দাওসু অমদি গুনসু ইভেন্টতা গোল্ড মেদল ৩ ফংবা ঙমখি। ৰাহেংবম ভুমেশ্বর মীতৈনা তাইজিক্বান অমদি তাইজিজিয়ান ইভেন্টতা গোল্ড মেদল ২ ফংবা ঙমখি। অচোম তাপসনা চাংক্বানদা গোল্ড অদুগা দাওসু অমদি গুনসুদা ব্রোঞ্জ মেদলশিং ফংখি।

ওলিকা নাওরেমনা তাইজিজিয়ান ইভেন্টতা গোল্ড; মাইস্নাম দাইমন্দনা ট্রেদিসনেল তাইজিক্বান অমদি সিঙ্গল ৰেপনদা গোল্ড মেদল ২, জোনা প্রিন্সি কোন্সমনা তাইজিসানদা গোল্ড, গুরুময়ুম দেবেসনা নন্দাওদা গোল্ড, থিংঙাম সন্দেশ্বরী চনুনা ট্রেদিসনেল তাইজিক্বানদা গোল্ড; কেঐচাওবনা চহী ১৭ মখাগী নুপীমচাগী কেজি ৪৮ মখাগী কাঙলূপ্তা গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখি। ঙম্বা অহৈবমনা তাইজিসানদা গোল্ড অদুগা তাইজিক্বানদা সিলভর মেদল ফংখি। থৌঙানবা অহৈবমনা দাওসুদা গোল্ড ১ অদুগা গুনসুদা সিলভর ১ ফংবা ঙমখি।

লৈমপোকপম নেলসন মৈতৈনা জেনসু অমদি কিয়াঙ্গসুদা সিলভর মেদল ২; ৰাইখোম সিলভিয়ানা ট্রেদিসনেল তাইজিক্বান অমদি সিঙ্গল ৰেপনদা সিলভর মেদল ২; ৰাইখোম গ্যানেশ্বরনা ট্রেদিসনেল ৰিংচুংদা সিলভর; ওইনাম মালেমঙানবীনা তাইজিজিয়ানদা সিলভর; এল অবেনাওনা চহী ১৭ মখাগী নুপীমচাগী কেজি ৬০ মখাগী কাঙলূপ্তা সিলভর মেদল অমা ফংবা ঙমখি।

চিংঙাংবম দিনেশনা ননক্কান, তরুবা খুরাইজমনা ট্রেদিসনেল তাইজিক্বান, অঙোম ৰিলিয়মনা ট্রেদিসনেল সিঙ্গল ৰেপন, খাইদেম পাম্হৈনা ট্রেদিসনেল অদর্স ষ্টাইল অমদি এস সুনিলনা চহী ১৭ মখাগী কেজি ৫৬ মখাগী কাঙলূপ্তা ব্রোঞ্জ মেদলশিং ফংবা ঙমখি।

ষ্টেট টিম অসিগী মেনেজর ওইনা টি ঐচ বোরমণি অদুগা তাওলু কোচ ওইনা ঐচ দেবান অমসুং সেন্দা কোচ ওইনা এম রোনেলনা শরুক য়াখি।

# মিষ্টর ইন্দিয়াগী ষ্টেট এথলিটশিং তরাম্না ওকখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৬(ঐচএনএস): কর্নাটাকানা য়ুম্বু ওইদুনা বেঙ্গলোরগী টাউন হোলদা থা অসিগী ৩দগী ৪ ফাওবা পাঙথোকখিবা ৭০ শুবা মিষ্টর ইন্দিয়া নেসনল চেম্পিয়নশিপতা মণিপুর রিপ্রজেন্ট তৌদুনা শরুক য়ারুবা এথলিটশিং অমদি ওফিসলশিং ঙসি ইম্ফালগী বির টিকেন্দ্রজিৎ ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতা থুংলবগা মণিপুর এমেচর বোদিবিল্ডিং এসোসিএসননা তরাম্না ওকখ্রে।

চেম্পিয়নশিপ অসিদা ষ্টেটকী এথলিট ১০ শরুক য়াবদা ১০মক মেদল লৌরক্লুনা ওভরওল টিম রন্নর্স অপ তাবা ঙমখ্রে।

গোল্ড মেদল ফংলকখ্রবা শান্নরোয়শিং অদুদি ফমদোম অরুন মীতৈ, নামৈরাকপম জোটিন অমদি চোংথাম মোমোনি। সিলভর মেদল ফংলকখিবশিং অদুনা পোৎশংবম বিনোদ মৈতৈ, ওইনাম লিবর্ট মৈতৈ, য়ুম্নাম থোমাস অমদি ফমদোম জেম্সননি। ব্রোঞ্জ মেদল ফংলকখিবশিং অদুনা সোইবম বিকোদোর, ফাঞ্জৌবম সুমন্দ্র অমদি মুতুম কেনেদিনি।

ষ্টেট টিম অসিগী ওফিসল ওইনা থিয়াম রনধির (মেনেজর), মাইবম ইতোম্বা মৈতৈ (এসিস্টেন্ট মেনেজর), এল বিমোল কিশোর (কোচ), এল কে দি (এসিষ্টেন্ট কোচ)না শরুক য়াখি।

## অম্ফা সিনিয়র ৰিমেন্স লীগ

# য়ু পি এস এনা আই সী এস এ থোইখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৬(ঐচ এন এস): ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসননা শীন্দুনা চত্থরিবা ১৩শুবা অম্ফা সিনিয়র ৰিমেন্স ফুটবোল লীগকী ঙসি অয়ূক আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচ অমদা য়ুনাইটেদ পুখাও স্পোর্টস এসোসিএসন (য়ু পি এস এ)না আই সী এস এ ইরেংবমবু ১-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা টিম অনীনা অহানবা হাফকী শান্নবদা গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্লদনা দ্রো ওইখি।

অনীশুবা হাফকী শান্নবা হৌরকপা কুইদ্রিঙৈ নোংমৈকাপম শিবানিনা শান্নবগী ৪৯ শুবা মিনটতা পুখাও টিমগী অমত্তা ঙাইরবা মায় পাকপগী গোল অদু চনবা ঙমখিবনি।

অমরোমদা, ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব (এম পি এস সী) অমদি য়ং ৰেলফেয়র ক্লব (ৰাই দব্লিয়ু সী) লংথবাল ১-১দা দ্রো ওইখ্রে।

হোইনৈহটনা শান্নবগী ৩৬ শুবা মিনটতা মেটচকী অহানবা গোল চনবা ঙমখি অদুগা পুলিস টিমগী ঙাঙোম বালানা শান্নবগী ৪৫ শুবা মিনটতা ইক্বেলাইজ গোল চনবা ঙমখিবনি।

মখা তাবা টিম অনীনা ২শুবা হাফতা গোল অমত্তা হাপচিনবা ঙম্লদবদগী দ্রো ওইখিবনি।

## এল মেমচা সুপর দিভিজন লীগ

# বির্জিৎকী হেটট্রিকনা ৰাই দি সী চাওনা মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৬(ঐচএনএস): কে ঐচ বির্জিৎনা চনখিবা গোল ৩ অদুগা এম কিষননা চনখিবা গোল ২ অমদি এস ধনবিরনা শান্নবগী ৬১ শুবা মিনটতা চনখিবা গোল ১গী মতেংনা ৰাই দি সী খোইরোমনা ঈ এল ৰাই এস এ ফৌদেলবু লাকচনা ৬-০দা চত্থরিবা এল মেমচা মেমোরিএল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগকী ঙসি কোদোমপোকপী স্পোর্টস কমপ্লেক্স ৰাংজিংদা শান্নখিবা মেটচ অমদা মায়থীবা পীখ্রে।



কিষননা শান্নবা হৌরকপগী ১৭ শুবা মিনটতা খোইরোমগী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। মহাক্না মখা তানা শান্নবগী ৩২ শুবা মিনটতা গোল ১গা হাপচিনবা ঙমখি। বির্জিৎকী অহানবা গোল অদুনা শান্নবগী ২৩দা চনখি। মহাক্কী ২শুবা অমদি হেটট্রিক গোল অদুনা ২শুবা হাফকী শান্নবগী ৫৩ অমদি ৫৭ শুবা মিনটতা চনখিবনি।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা দব্লিয়ু ৰাই এফ সী ৰাংজিং অমদি এস দব্লিয়ু ৰাই সী চরাংপাৎ ১-১দা দ্রো ওইখ্রে। ৰাংজিংগী গোল অদুনা হোপসননা চনখি অদুগা চরাংপাৎকী গোল অদুনা এম নাওখোম্বনা চনখিবনি।

# বিষ্ণুপুর যোগ কম্পিটিসন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৬(ঐচ এন এস): মণিপুর যোগসনা স্পোর্টস এসোসিএসনগী লমজিং মখাদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট যোগসনা স্পোর্টস এসোসিএসননা শীন্দুনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ওইবা অহানবা যোগ কম্পিটিসন থা অসিগী ৪দা রোয়ল একাদেমি ওফ লো কোলেজকী ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকখ্রে।

কম্পিটিসন অসিদা শান্নরোয় ৬০না শরুক য়াদুনা কেটগোরি ৯দা অথোই-অহেন তান্নখি।

সিনিয়র নুপামচাগী কাঙলূপ্তা এন রোমারিওনা অহানবা পোজিসন তাবা ঙমখি। চহী ৩০দগী ৪০ ফাওবগী নুপীগী কাঙলূপ্তা কে ঐচ শর্মিলানা অহানবা, ও সপনানা অনীশুবা অমদি এম প্রেমলাতানা অহুমশুবা পোজিসনশিং তাখি।

সব-জুনিয়র নুপীমচাগী কাঙলূপ্তা নন্দিতা নিংথৌজমনা অহানবা, য়ুম্নাম লন্থোইবীনা ২শুবা অমদি ৰাহেংবম তোন্দোন চনুনা ৩শুবা পোজিসনশিং তাখি। সব-জুনিয়র নুপামচাগী কাঙলূপ্তা নম্বারেল নোংথোম্বমনা অহানবা অমদি য়ংলেম কৃষ্ণরাজনা ২শুবা তাখি।

জুনিয়র নুপীমচাগী কাঙলূপ্তা ওইনাম মেমিচা অমদি খারিবম অজেলিয়ানা অহানবা অমদি ২শুবা পোজিসনশিং তাখি। নুপামচাগী কাঙলূপ্তা ৰাহেংবম বিশ্বরচন্দ্র মৈতৈনা অহানবা অদুগা ৰাহেংবম সনাহলনা ২শুবা অমদি বিনোদকুমার থিংবাইজমনা ৩শুবা পোজিসনশিং তাখি।

চহী ৪০-৫০ ভেটরান-এ নুপীগীদা লাইশ্রম ইবেমচা চনু অদুগা নুপাগীদা কোঞ্জেংবম জুগিননা অহানবা পোজিসনশিং তাখি। চহী ৫০-৬০ মথক্কী ভেটরান-বি নুপীগীদা পুখ্রম্বম সৈত্যবতি অমদি নুপাগীদা ইরেংবম জুগেশ্বরনা অহানবা পোজিসনশিং তাখি।

হৌদোকপগী থৌরমদা য়াসকী মিনিষ্টর গোবিন্দাসনা অথোইবা মীথুংলেন ওইদুনা শরুক য়াখি।

# ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট বিকোদোর ওকখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৬(ঐচ এন এস): ইন্দিয়ন ফিটনেস এন্দ বোদি বিল্ডর্স ফেদরেসন অমদি উত্তমা কর্নাটাকা বোদি বিল্ডর্স এন্দ ফিটনেস এসোসিএসননা শীন্দুনা থা অসিগী ৩ অমদি ৪দা বেঙ্গলুরুগী টাইন হোলদা পাঙথোকখিবা ৭০শুবা নেসনল ফিটনেস এন্দ বোদি বিল্ডিং চেম্পিয়নশিপকী জুনিয়র কাঙলূপ্তা ব্রোঞ্জ মেদল লৌরকখ্রবা লময়ানবা জিম য়াইরিপোক্কী শান্নরোয় সোইবম বিকোদোর ঙসি মণিপুর য়ৌরকখিবগা লোয়ননা মহাক্কী পোক্লফম লমদম থৌবাল হাওখদা মীয়াম্না তরাম্না ওকখ্রে।

য়ুনাইটেদ স্পোর্টস দিভলপমেন্ট এসোসিএসন থৌবাল হাওখ মমাং অমদি লৈকাই মীয়াম্না শীন্দুনা হাওখ কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখিবা চন্নবা থৌরম অদুদা বিকোদোর অমদি মহাক্কী জিমগী কোচ নোরেন মৈতৈবু মীয়াম্না লৈ হুক্কুনা তরাম্না ওকখি অমদি বিকোদোরনা মতুং তারকপদা হেন্না চাওবা মনা কয়া লৌরকপা ওইরসনু হায়না পূক্নিং থৌগৎখি। থৌরম অদুদা লৈকাইগী অহল এস ঐচ ইরাবত, এম হেরামোট অমদি এস ঐচ পিশকনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি।

## ইবোপীশক সুপর দিভিজন লীগ

# ৰাই এস দব্লিয়ু এনা আর এফ সী সী মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৬ (ঐচএন এস): দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন বিষ্ণুপুরনা শীন্দুনা বিষ্ণুপুরগী মিনি ষ্টেদিয়মদা চত্থরিবা অহানবা থোকচোম ইবোপীশক সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা ৰাই এস দব্লিয়ু এ উৎলৌনা আর এফ সী সীবু লাকচনা ৪-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

উৎলৌ টিমগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু বির্জিৎ, জেক্সন, ইন্দ্রজিৎ অমদি অজিৎকুমারনা শান্নবগী ২৯, ৩২, ৩৯ অমদি ৮৪ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা এন সী ৰাই দব্লিয়ু ওনা লাশাল লৈমপোকপমবু ৩-২দা মায়থীবা পীখ্রে। এন সী ৰাই দব্লিয়ু ওগী গোলশিং অদু দামনৈরেং চোংদুরনা ২ অদুগা আর জিনমৈলেননা ১ চনবা ঙমখি। লৈমপোকপমগী গোল ২ অদুনা ও রোশন অমদি ঐচ জোটিননা চনখিবনি। মেটচ অসিদা রেফরিনা এন সী ৰাই দব্লিয়ু ওগী ঙম্পুইসিং অমদি আইজাকপু য়েলো কার্দ অমমম্ বূক তৌখি।

## সঙ্গিতা ফর্ষ্ট দিভিজন লীগ

# কে ৰাই সী (এন), এস দি সী মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৬ (ঐচএন এস): ইম্ফাল ৰেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসননা শীন্দুনা সেকমাইগী এস কে ৰাই সী গ্রাউন্দদা চত্থরিবা সঙ্গিতা মেমোরিএল ফর্ষ্ট দিভিজন লীগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা কে ৰাই সী (এন) খুরখুলনা এস সী কে কোদোমপোকপী ২-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

খুরখুল টিমগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু এল রিশিকান্ত অমদি এল অবোইনা শান্নবগী ২৮ অমদি ৭৭ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি। মেটচ অসিদা রেফরি টি ঐচ রোবিননা খুরখুলগী বোইনাও অমদি রোবর্ট অদুগা এস সী কেগী হেরোজিৎ য়েলো কার্দ অমমম্ বূক তৌখিবনি।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা এস দি সী সমুরৌনা আই এফ সী লম্ফেলবু ২-০দা মায়থীবা পীখ্রে। এস দি সীগী মায় পাকপগী গোল অনীমক শ্রিনিভাস এলনা অনীশুবা হাফকী শান্নবগী ৫৪ অমদি ৭৮ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি।

মেটচ অসিদা রেফরি হেমন্তনা আই এফ সীগী লুংসুং খারে অমদি এস দি সীগী ধনচন্দ্র শান্নবগী ৫৬ অমদি ৫৫ শুবা মিনটতা য়েলো কার্দ অমমম্ বূক তৌখি।

# অপূনবা এফ সীনা উখোংশাং থোইখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৬ (ঐচএন এস): মঙাল ফাউন্দেসন হৈরোকনা শীন্দুনা হৈরোক পার্ট-টুদা লৈবা সিটি ক্লব প্লেগ্রাউন্দদা চত্থরিবা অহানবা মাইপাকপী ট্রোফি ষ্টেট মেন্স ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ সীগী মেটচ অমদা অপূনবা এফ সীনা উখোংশাং এফ সীবু ২-০দা মায়থীবা পীখ্রে। অপূনবগী মায় পাকপগী গোল অনী অদু অমজিৎ অমদি মাইঙৌনা চনবা ঙমখি।

অতোপ্পা চপ মান্নবা গ্রুপকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা কে এম ৰাই এফ সী ক্যামগৈনা কবি তিংচোই এফ সীবু ২-১দা মায়থীবা পীখ্রে। ক্যামগৈগী মায় পাকপগী গোল ২ অদু মুষ্টাক অমদি সাদনা চনখি। তিংচোইগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা রাকেশ্বেচোনা চনখিবনি।

# দি এস এ চান্দেলনা খঙহল্লক্লি


ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৬ (ঐচএন এস): দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন চান্দেলনা তোঙান-তোঙানবা স্পোর্টস এসোসিএসনশিংনা হায়জরকপগী মতুংইন্না এসোসিএসননা অথুবদা চান্দেল দিষ্ট্রিক্ট ক্রিকেট এসোসিএসন অমদি চান্দেল দিষ্ট্রিক্ট টেবল টেন্নিস এসোসিএসন শেম্লগনি হায়রি।

কনাগুম্বা য়েৎপীনিংবশিংনা থা অসিগী ১৫ ফাওবগী মনুংদা হায়রক্লবা দি এস এ চান্দেলগী প্রসিদেন্ট টি এস চাম্না অনাললনা খঙহল্লক্লি।

SPOKEN ENGLISH
ꯁ꯭ꯄꯣꯀꯟ ꯏꯪꯂꯤꯁ
Classes for groups and special class for only one person
For Seniors, College and University Students
■Grammar ■Pronunciation ■Group discussion ■Public speaking ■Vocabulary
Global Spoken English, Gourahari Market,
Behind Pologround, Near Hotel Christina, Paona Bazaar, Imphal
(Timing: 5:00 am, 6:10 am, 7:40am, 11:00 am, 1:00pm, 4:00 pm, 5:30pm)
Instructors: Sir Tejkumar (Teaching Since 1987)
Alice Thokchom (MA English, Punjab University)
Contact Numbers: 8132904426, 9362150894
HL-B/7775/1/9-1/10

SMART TUTORIAL CENTRE
SINGJAMEI SUPER MARKET
ADMISSION OPEN
WEBSITE: https://smarttutorial.org/
BOSEM/COHSEM/CBSE Separate class
SCIENCE, ARTS & COMMERCE
MEDICAL, ENGINEERING & NDA course for 2023
FOUNDATION COURSE 2022 & Revision course 2023 FOR CLASS X, XI & XII
CLASS START : 19th, 27th Sep., & 22th Oct.2022
HOSTEL+VAN SERVICE available for both boys & girls
FREE supply of printed questions & answers, weekly exam and MEGA TEST
ALL SUBJECTS
CALL: 8787601123, 03857966211
Experience Teachers from (FORMER & WORKING IN)
CBSE SCHOOL: UNACCO, MARIA MONTESSHRI, KV Lamphelpat, KANAN DEVI & SISHU SIKSHA NIKETAN
BOSEM/ COSHEM: MECI, COMET, XTRA EDGE, HERBERT, IPS & STANDARD ROBERT
HL-B/7728/10/7-7/9(alt)

# HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



## PUZZLE NO. 565

Ohad Kraus (2363) - FM Yahli Sokolovsky (2472)
40th ch-ISR 2021 Haifa ISR, 2021.03.09

| | | |
|---|---|---|
| 1.d4 d5 | 2.c4 c6 | 3.Nc3 Nf6 |
| 4.cxd5 cxd5 | 5.Bg5 Ne4 | 6.Nxe4 dxe4 |
| 7.a3 Qb6 | 8.Bd2 e5 | 9.Bc3 e3 |
| 10.fxe3 e4 | 11.Qc2 Bf5 | 12.g4 Bg6 |
| 13.Nh3 Be7 | 14.Qa4+ Nc6 | 15.O-O-O O-O |
| 16.Nf4 a5 | 17.h4 Qa6 | 18.h5 b5 |
| 19.Qb3 b4 | 20.hxg6 bxc3 | 21. ... |

**QUESTION :**
White to checkmate

**Puzzle 564 Ans. :**
29. ...Nh5 30. Rd3 Qf1+ 31. Rg1 Ng3+ Opening the line from h3 to h1. 32. hxg3 Qh3# Highstriker mate
0-1

ꯂꯣꯟ ꯐꯪꯒꯅꯤ
LOAN AVAILABLE
# 2/4 Wheeler Loan
# Pension / Service Loan
# Business Loan
# Housing Loan
# Loan Against Property
# Electronics / Electrical Loan
Moirang, Nambol অমসুং Samurou গী ওইনা Office Asst. 2/2, Gr - IV, 2 Wheeler Mechanic, Car Driver, Car Wash Helper 2/2 পামজে।
Sd/- L.G. Finance
Khagempalli, Nambol, Thoubal, Kakching, Moirang and Samurou
# 8731978490 / 9774495994
HL-B/7804/19/8-16/10 (alt)

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com